ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




লৈঙাক্কী স্কুল ফগৎহনসি মিশননা কোনশিল্লিবা শুগুনু হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অৱাৎপা ওজাশিং থাবীরক্তবগী মায়োক্তা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী পেরেন্টশিংগা পূন্না চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং


থম্মোয় পাউদম : পূন্সি মশক খঙবা হৌরকপা - ৩ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ হৌরকত্রিমখৈদি ফরে, হৌরক্লগনা ইরাইবক ওইরে...

ইন্টরনেশনল থিয়েটরগী লিজেন্দরি আইকন রতন ... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিংগী থৌনাদুনা ঙসি...

'ত্রম্পকী চাদা ২৫ গী টারিফনা ইন্দিয়া অমদি... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ নেশনল চেম্পিয়ন্সিপঃ মণিপুর হোক্কিনা...


মালেমগী থিএটরগী অতিয়াদা থৱান্নীচাক্লুম ঙাল্লম্বা রতন থিয়াম লৈখিদবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী থিএটর দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা মিনট অমা তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপা




Vol. 49, Issue No. 122 | ইরাই, থৱানগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, August 01, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## থাঙ্গাল ১সুং পাওনা কৈথেল য়াওনা এনক্রোচরশিং তকখাইখিগদৌরি

**ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সীগী ওর্দরনা হায় : থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেলদা এনক্রোচরশিং খঙদোক্লবা ওগষ্ট ৬, ২০২৫গী অয়ূক পুং ৭তগী জোইন্ট সর্ভে চত্থরগনি, কৈশাম্পাৎ জঙ্কশনদগী নিংথেমচা কারোং, নিংথেমচা কারোংদগী ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন, নাওরেমথোংদগী তেরা কৈথেল (সিপেটকী পরিং), সনাকৈথেল পরিংগী ওফিসরস ক্লবতগী সিনাম লৈকায় অমসুং রিমস রোদ অমদি রিমস কান্টিন রোদতনা ওগষ্ট ২, ২০২৫গী অয়ূক পুং ৭তগী সর্ভে তৌরগনি**

**ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৪দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর এম রাজকুমারনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মেয়েন রোদশিংদা এনক্রোচ তৌশিনবা অমসুং নুঙ-লৈঙোই, য়ূম-কৈশানবগী পোৎলমশিং অমসুং ফুট পাঠশিং য়াওনা ফত্ত-হৌদিশিং পৈশিন্দুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহনবদা নত্তনা ত্রাফিক্কতা অয়েৎপা পীরকপগী মায়োক্তা অসিগুম্বা থৌওংশিং চত্থবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎতুনা ইভিক্সন চত্থরগনি হায়না খঙহনখিবগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম খরদা ইভিক্সন হৌখ্রবা মতুংদা মখা তানা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শরুক অমা ওইরিবা থাঙ্গাল অমদি পাওনা কৈথেলদা লৈবা মরু ওইনা লম মপু, মফমশিং অসিদা লৈরিবশিং অমসুং দুকান ফম্বা মীওইশিংদা চেকশিন ৱা ফোঙদোরক্তুনা কৈথেল অনী অসিদা গভর্ণমেন্টকী লম খোপচিনবশিং তকথোক্লবগী জোইন্ট সর্ভে অমা চত্থরগনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সীনা ঙসি থোকপা থাঙ্গাল কৈথেল পরিংদা ইভিক্সনগী দ্রাইভ থা অসিগী ২২দগী হৌখ্রে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ঙরাং মাহুদ লোয়শঙনা শিন্দুনা ধর্ম্মশলাদা পাঙথোকখিবা মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নখিবগী মতুংইন্না থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেলদা এনক্রোচ তৌরিবশিং য়াওনা গভর্ণমেন্টকী লমদা এরিএল এক্সপান্সন অমসুং প্রোজেক্সনশিং তৌশিনবা, দ্রেন, ফুট পাঠ অমসুং পব্লিক লেন্দদা এনক্রোচ তৌশিনবশিং খঙদোক্লবা জোইন্ট সর্ভে অসি মাহুদ, ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মমৈ থেকপদগী এন আই এ ফূক হৌগৎলক্লে

**জিরিবামদগী অঙাং ৩, মমা ২ য়াওনা নুপী ৩ হাৎলগা বরাক তুরেলদা থাদরকপদা চেন্নবনি হায়বা মার টেররিষ্ট ১ এন আই এনা ফারে**

**ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচএনএস) :** থা ৯ লোমগী মমাঙ নবেম্বর ১১, ২০২৪গী নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা কুকি-মার টেররিষ্টশিংনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চনবা জাকুরাধোর কারোংদা লৈবা মীতৈশিংদা এটেক চত্থদুনা চহী শুদ্রিবা ১ য়াওনা অঙাং ৩, অঙাংশিং অসিগী মমা অনী য়াওনা নুপী ৩ ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা তমথীবা মওংদা হাৎলগা বরাক তুরেলদা থাদরকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা নেশনল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সী (এন আই এ) না থাংলিয়ানলাল মার এলিয়জ বোয়া কৌবা মার টেররিষ্ট অমা ফাগৎখ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা ফারবা মার টেররিষ্ট অসি অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী দিলখোশ গ্রান্ট হায়না খঙনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২



জিরিবাম মীহাৎতা চেন্নবনি হায়দুনা এন আই এনা ফারবা মার টেররিষ্ট থাংলিয়ানলাল মার এলিয়জ বোয়া

## জল জিবন মিশনগী মখাদা মণিপুরদা ঈশিং কয়াম য়াম্না ফংহল্লবগে হায়না লোক সভাদা তকখৎখ্রে

**জুলাই ২৮, ২০২৫ ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী খুঙ্গংগী য়ূমথোঙ চাদা ৭৯.৬ খক্তদা জল জিবন মিশনগী মখাদা ঈশিং ফংহল্লম্লে**



**ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ২১দগী হৌদুনা চত্থরক্লিবা পার্লিয়ামেন্টকী লোক সভা মীফমদা সভা অসিগী মেম্বর ওইরিবা মণিপুরগী কোংগ্রেস এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা হৌদোকপা জল জিবন মিশন (জে জে এম) গী মখাদা য়ূমথোঙ কয়াদা থক্লনবা ঈশিং টেপ ৱাটরগী খূত্থাংদা পীরবগে অমসুং পীরে হায়রগনা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ অসিগী ওইনা কয়া কয়ানো অমসুং মিশন অসিগী মখাদা টেপ ৱাটর কনেক্সন পীখিবশিং অদু স্বছ ভারত মিশনগী মখাদা পীখিবা কনেক্সনশিংগা পুনব্রা অমসুং জে জে এমগী মখাদা মণিপুরগী মীয়ামদা ঈশিং ফংহন্নবগী থবক নীংথিজনা চত্থরিব্রা অমদি চাং নাইনা ঈশিং ফংহল্লিব্রা হায়বা ৱাহং হংদুনা তকখৎখ্রে।

এম পিনা লোক সভাদা হংখিবা ৱাহং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## হায়ৱেদা ইল্লিগেল টেক্স খক্তা নত্তনা চ্যেক পোষ্টশিংদসু শেল লৌবনা দ্রাইভরশিং খম থেংনা ৱাহল্লে

বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী থৱায় লম্বী ওইরিবা হায়ৱেশিংদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা গাড়ীশিংদগী লোনা য়াদবা মওংদা নম্ফুদ্দা টেক্স লৌবগী থবক অমসুং সিক্যুরিটিগী চ্যেক পোষ্টশিংদসু নমদুনা শেল লৌবগী থবক অসি কোকহনবা ঙমদ্রবা কুম লায়নাগুম্না হৌজিকসু মখা তানা চত্থরকপদগী হায়ৱেশিং অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা দ্রাইভরশিং অৱা চৈথেং নংহল্লি।

হায়ৱেশিং অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা থেংনরিবা থৌওংশিং অসিবু মায়োক্লরকপা দ্রাইভর খরনা হায়, মী শিবা য়াবা খূৎশু-খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা ইল্লিগেল টেক্স লৌবা অমসুং সিক্যুরিটিগী চ্যেক পোষ্টশিংদসু নমদুনা শেল লৌরকপগী কুইরবা থৌওং অসিগী মথক্তা এন এস সী এন-আই এমগী মায়কৈদগীসু রোদ টেক্স, গুদস টেক্স অমদি গোদাউন টেক্সনচিংবা লৌরি। অদুগা মাওদগীনা সেকমাই ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা সিক্যুরিটিগী চ্যেক পোষ্টশিংদনা এল পি জি বুল্লেট অমগী দ্রাইভরদগী মাওদা লুপা ৫০০, তদুবীদা লুপা ২০০, মরাম সেন্টর চ্যেক পোষ্টতা লুপা ২০০, সেনাপতিদা লুপা ২০০, হেনবুংদা লৈবা সেল টেক্সকী চ্যেক পোষ্টতনা লুপা ২০০, ময়াংখাং নিংথৌফমগীনা লুপা ২০০, টি খুল্লেন চ্যেক পোষ্টতা লুপা ২০০, কাংপোকপী চ্যেক পোষ্টতা লুপা ৫০০ অদুগা সেকমাই অমদি সপরমৈনা চ্যেক পোষ্টতনা লুপা ২০০/২০০ লৌবীরে হায়রি।

অদুবু তোঙান তোঙানবা চ্যেক পোষ্টশিংদা দ্রাইভরশিংদগী লৌরিবা শেলশিং অসিগী মরী লৈনবা রিসিভনচিংবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## লৈঙাক্না মীরাইবীবদগী খোঙজং চঙশিনবা লেকচররশিংগী মরক্তগী ত্রান্সফর তৌরকপা য়াওরে

### ওথোরিটিগা য়ানবা পুরকপদগী খোঙজং মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারীদা মতম অদুগী মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না কুমজা ২০১৯দা গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগীদমক কন্ট্রেক্ট বেসিসতা লৌখিবা লেকচরর ৬০৩বু রিগ্যুলরাইজেশন তৌরগনি হায়বগী ৱারেপ লৌরবা মতুং এপ্রিল ১, ২০২৩দগী মখোয়দা রেগ্যুলর পে পীরগনি হায়বগী ওর্দর থোকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা রিগ্যুলরাইজেশনগী মথৌ তাবা থবকশিং মপূং ফানা লোইশিন্দবদগী ফংফম ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


